# তুংগী মীরোলগীদমক ফুরুপ
# পুন্নমক্কী অপুনবা অমদি অশেংবা
## লিক্লমচৎ অমা থন্বা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই

*-কোরকোম*

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, অগষ্ট ১০ ঃ* কুমসি চহী ২০১২গী আগষ্ট ১৩ অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ লাকপদা ১৮৯১ গী এঙ্গলো মণিপুর ৱারদা ইরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায়না পোছা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোরকোমনা ইকোক নোন্না য়াওলগী ইখায়খুম্নবা উৎচরি হায়রক্লি। অমরোমদনা ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোলগীদমক লমদমসিগী ফুরুপ পুন্নমক্কী অপুনবা অমদি অশেংবা লিক্লমচৎ অমা শেমদুনা থন্নবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই হায়না আইন্না থিংখ্রবা কেসিপি, কেৱাইকেএল, প্রিপাক, প্রিপ্রাক (প্রো), আরপিএফ, য়ুএনএলএফ অমসুং য়ুপিপিকে গী অপুনবা কোরকোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মনিং তম্বা লৈবাকশিংগী মনুংদা মণিপুরসু মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনা পাল্লকখিবনি। ঙসিদগী চহী লিশিং ৫গী মথক্তা ফুরুপ ময়াম্না পুনশিল্লগা শেতোক খায়দোক্লবা য়াদনা হিংমিন্নদুনা লৈবাক খুন্নাই লিংখৎখ্রবা, মশাগী লিক্লমচৎ লৈজরক্লবা ঐখোয়গী ইরৈবাক মণিপুরনি। মাংলমচৎকী ইপা-ইপুশিংনা অকনবা লানফম কয়াদা য়েক্ল বগা মায়োক্লদুনা মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায়না পোছা পীদুনা মণিপুরবু মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা থম্লীরম্মী। ১৮৯১গী এঙ্গলো মণিপুর লাল অসি ১৯ শুবা চহীচাদা কম্বোদিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী ফুরুপশিংনা য়ুরোপ মচাশিংগী লোয়লম লৈঙাকপু শিংনদুনা হৌখিবা নীংতম লালহৌশিং অদুগী মনুং চন্না শিংথানখি হায়রি।

ইং কুমজা ১৮৯১ দা বৃটিশনা মণিপুরবু খোংজোমগী অরোয়বা লানফমদা মায়থিবা পীখ্রবা তুংদা কুমজা অদুমক্কী আগষ্ট ১৩দা কোইরেং য়ুবরাজ অমসুং থাঙ্গাল জেনরেলবু ফৈদাপুংদা লৈবাক মীয়াম মাংদা মঙকশমদা থৌরি য়ানদুনা হাৎখি। আগষ্ট ১৩গী মমাংদা পুখ্রম্বা ফিঙাং এলাইজ কজাওবু মে ২৫ দা, নিরঞ্জন সুবেদারবু জুন ৮ দা অমসুং মতুং তারকপদনা চিরাই থাঙ্গালবুসু ওক্টোবর ১৩দা থৌরি য়ান্দুনা কৈশুমশঙদা হাৎখি। অথৌবশিং অসিবু হাৎখিবা নুমিৎশিং অসিগী মনুংদা মপুং ওইনা আগষ্ট ১৩ অসিবু লৌরগা মণিপুরগী লিক্লমচৎতা ১৩ আগষ্ট অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ হায়না ১৮৯১গী লালদা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈবাক্না ইকায়খুম্নবা উৎতুনা চহী খুদিংগী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি। অসিগুম্বা নীংশিং থৌরম অসি ইন্দিয়াগী নীংতম লালহৌগী শরুক অমা কৈদৌনুংদসু ওইখিদে। মসি ইন্দিয়াগী নীংতম লালহৌগী শরুক অমনি হায়না নম্ফুদা হায়জিল্লবা মণিপুর মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখল শেরান্নন থৈদোকখিনবা হোৎনরগদি থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী লিক্লমচৎ ওইবা ৱাহঙ্লোক মাংখিগনি হায়রি।

মুৎনাইদ্রবা নীংশিং নুমিৎ অসিগা ঙসিগী অমসুং তুংগী মীরোলগী পুন্সিরোলগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা অদুমক লৈরগদবনি। অদুনা ঙসিগী মীরোলনা ১৯ শুবা চহীচাদা নীংতম্বা মাংখিবগী লাঙ্গেংশিংদা মতমদুগী মীরোলগী পুন্সিরোলদা করি অশোয়বা অমসুং করম্বা অৱাৎপা লৈখিবদগী বৃটিশকী মখুৎতা মায়থিখ্রবনো হায়বসি কুপ্না থিজিন্দুনা খঙবা চংই। অদুগা অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী মীরোলদুদগীনা তমহৌবা য়াবনা করি করিনো হায়বসিসু অমুক হন্না য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়রি।

অসুম তৌদুনা হৌখিবগী অশোয়বা অমসুং অৱাৎপশিংদু মেনখৎপগা লোয়নননা লিক্লমচৎনা পীবা লৌশিংশিংদু শীজিন্নরগা ঙসি ঙসিমক হিংলিবা ইন্দিয়াগী মীখা পোল্লবা ঐখোয়গী খুন্নাইগী পুন্সিরোলদা খোঙজেল য়াংনা অঙম তান্নবা ফিভমদা শিংনরকপা খুদিংমক মায়োক্লদুনা ঙসিগী মীরোলনা তুংগী মীরোলগীদমক লমদমসিগী ফুরুপ পুন্নমক্কী অপুনবা অমসুং অশেংবা লিক্লমচৎ অমা শেমদুনা থন্নবা ঙম্নবা হোৎনফম থোকই। মদুতদা থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ৱাহঙ্লোক লৈহনবা ঙমগনি হায়রি।

লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবা শোক্লখিবা লানফমশিং অদুদা মীখা পোন্না হিংগদবগী শরুক মরৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবনা হেন্না ফৈ হায়বসি মতমদুগী ইপা-ইপুশিং অদুগী ফিদমনি। মখোয়গী ফিদম অদুগী লিক্লমচৎকী ওইবা ৱাহঙ্লোক ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না পীবা ঙমদ্রগদি মণিপুরগী লৈমাইদা পোক্লবগী চাওথোকচবা অমসুং ইকায়খুম্নবা মণিপুরী অমত্তনা ফংবা ঙম্লোই। শেংলবা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ অসিদা ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিংগী মফমদা ইরৈচা পুন্নমক্না কোক নোন্না ইকায়খুম্নবগা লোয়নননা ঐখোয় ইরৈবাক্কীদমক ৱাশকমিন্নসি। অপুনবগী লিচিং অমত্তদা মালেমগী হোংলক্লিবা খোংলৈগা চান্নন হয়েংগী অচুম্বা লিক্লম অমা ময়েক শেংনা য়াৎনবা হোৎনরসি হায়রি।